**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-05-2026)**

**খেমচান্দ(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি-খুন্নাই অমবু চাউখৎপগী লম্বীদা পুরকবা হোৎনবদা নাৎ অমদি ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবীশিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা য়ামমক তঙাইফদে।

ইম্ফালগী অহানবা মনিপুর রাইফলসকী কম্পাউন্দা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি লাইশঙদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডকী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌরবা তুংদা শ্রী খেমচান্দনা রাজ্য অসিগী নাৎকী ওইবা চৎনবী অমদি সংস্কৃত্তি য়োকখৎনবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

শ্রী খেমচান্দনা হায়-করিগুম্বা থবক অমা পায়খৎপদা নিতি নিয়ম নীংথিনা ঙাকা চৎপা তাই অমসুং লাইশঙ অদুগী অকোইবগী ফিভম নীংথিনা থমবা পায়খৎকদবা থৌরাংশিং বোর্ডকী মীফমদা খন্নগনি। রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লক বসু মহাকা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজখি। মুখ্য মন্ত্রিবু তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওইশিংনসু নাৎকী ওইবা ফিজোলশিংগা লোয়ননা তরামা ওকখি।

শ্রী খেমচান্দনা লাইশঙগী মনাক্তা উ চারাসু থাখি।

মদুগী মমাংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা মফম অদুদা হেক থুংলবদা লাইনিংথৌ সনামহি তেম্পল বোর্ড, মাইবা-মাইবীশিং অমদি অতৈ মীওই কয়ানা মহাকপু তরামা ওকখি।

**কন্দেম(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী কোনসা খুলদা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই অমা শোক্লে। অশোকপা মীওই অদু ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নরি। থৌদোক অদু ঙসি মীওই অহুমনা ঈশিং

পাইপ শেমজিনবা চৎপদা থোকখিবনি।

নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এম.এল.এ. অৱাংবৌ ন্যুমাইনা খুঞ্জাশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অমদা মহাকা হায়-মীচম মীয়ামদা অসিগুম্বা খুৎলায় পায়বশিংনা চত্থরক্লিবা থৌওং অসি কৈদৌনুংদসু য়াবা ঙমলোই অমদি অসিগুম্বা থৌওং অসিনা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা তোখায় তানবগী ফিভম অমা লাক্কনি। মহাকা হায়-মীচম মীয়ামশিং মতম চুপ্পদা ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি য়াममক তঙাইফদে। মরম অদুনা, মীয়ামনা য়ারিবমখৈ হিংশা থাদোক্তুনা অমত্তা ওইনা হিংমিন্ননবা অমসুং শান্তিগী ৱারী শান্নবরোমদা চংশিন্নবা হোৎনগদবনি।

ঙসি অয়ুক কোনসা খুল নাগা ভিলেজকী মীওই অহুমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওং অদুবু কোনসা খুল (কোনসারম) ভিলেজ ওথোরিতিনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**খেমচান্দ-১(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি ২৬ শুবা মেরিটোরিয়স এৱার্ড য়েন্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

ঙাক্রবা লৈরক দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসননা শিনদুনা শিংজমৈ চিংঙামথক ঙাক্রবা মান্দপতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

থৌরমদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা মনা ফংলবশিংবু থাগৎপগা লোয়ননা তুংগী পুন্সিদসু মীথোই মীহেন্নবা হোৎননবা হায়খি। মহাকা হায়-লাইরিক লাইশুগী লমদা হৈথোই শিংথোইরবশিং মতেং পাংবা অমসুং মখোয়বু শেমগৎপা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

মালেমগী হোংলক্লিবসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মহৈরোইশিংনা লাইরিক লাইশুদা হেন্না পুকিং চংবা খক নত্তনা স্কিল

দিবলপমেন্টকী থৌরমশিংদসু মপুং ফাবা শরুক য়াবা হায়বসি য়াममক তঙাইফদে। মহাকা হায়-মহৈরোইশিংনা খুন্নাই অসিদা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং নীংথিজনা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। মীয়ামনা লম্বী থিংজিন্দুনা অমসুং বন্দ তৌদুনা খোঙজং চংশিনবগী মহুৎতা লমদমসিগী ওইবা ৱাথোকশিং ৱারী শান্নদুনা লোয়শিন্নবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

**এৱার্দ (এল)ঃ** মেরিটোরিয়স ষ্টুদেন্ট অমসুং এচিভরশিংবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চালৌদা লৈবা ইরাবোত মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বিধান সভা সদস্য খোংবানতাবম ইবোমচাসু শরুক য়াখি।

শগোলবন্দ কন্সটিট্যুয়েন্সি প্রোগ্রেসিব কমিতিনা শিনদুনা শগোলবন্দ কন্সটিট্যুয়েন্সি মেরিটোরিয়স এৱার্ড ঙসি শগোলবন্দ থিঙোম লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা কাইরেনবিখোক খুঙ্গংগী ওইনা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম ঙসি কাইরেনবিখোক ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**ডেঃ** মীয়ামদা হিদাক মনা শিজিন্নবগী অমাংবা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা ঙসি মালেমগী হিদাক মনা শিজিন্নদবা নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোক্লি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হীরমদি-অন-মাস্কিং দ আপীল-কাউন্টরিং নিকোতিন এন্দ তোবেকো এদিক্সন হায়বসিনি।

মালেমগী হিদাক মনা শিজিন্নদবা নুমিৎনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মীয়ামদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নদনবা আপিল তৌরি। মহাকা হায়-হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি মীয়ামগী হকশেলদা চাউনা শিংনবতা নত্তনা মসিনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং থোকহনবতা নত্তনা মীওইবগী

পুন্সিবু তেনশিলহল্লি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা মহাকা হায়-মনিপুরবু হিদাক মনা শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইনবা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা মশা-মউ ফবা, অশোয় অঙাম থোক্তবা অমদি চাউখৎপা লমদম ওইনবা হোৎনমীনরসি।

নুমিৎ অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকখি।

চান্দেল জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট টোবেকো কন্ট্রোল সেল, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-চান্দেলনা পুন্না খুৎশমদুনা জিলা থাক্কী ওইবা মালেমগী হিদাক মনা শিজিন্নদবা নুমিৎ জিলা অসিগী সালেমথারদা লৈবা লিটল এঞ্জেলস পেরেদাইস স্কুলদা পাঙথোকখি।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন (সি.বি.সি) ফিল্ড ওফিস-চান্দেলনা শিনদুনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা জিলা অসিগী পুরুম তম্পাক ভিলেতা পাঙথোকখি।

সি.বি.সি. রিজনেল ওফিস-ইম্ফালনা শিনদুনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবীদা লৈবা জেম পব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখি।

কোলিসন এগনেষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাডা) না শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কোনুং মমাংদা লৈবা মসিগী ওফিসতা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলনা শিনদুনা চান্দেল জিলাগী সেলোন, কোভাং অমসুং চকপিকারোংদা ঙসি মালেমগী হিদাক মনা শিজিন্নদবা থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা খুঞ্জা ২৪৫ রোমনা শরুক য়াখি।

**ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ** ইনভাইরোনমেন্টেল সসটেনেবিলিতি এন্দ ত্রেদিসনেল নোলেজ সিষ্টেম ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া-প্রাক্তিসেস, চেলেঞ্জেস প্রোসপেক্ট হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ হুমনি চথরকপা জাতি থাক্কী সেমিনার ঙসি ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিদা লোয়শিনখ্রে।

যুনিভরসিতি অসিগী ইকো চেপ্তর অমসুং সাইন্স ক্লবনা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকা খুৎশমরগা চথরকপা সেমিনার লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা যুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার নাওরেম জয়কুমার সিংহনা হায়-অকোইবগী খল ঙাক্তুনা থমবা অমদি মপুং ফানা চাউখৎনবা হোৎনবদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা লৌশিং গ্যানশিং অসি শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**ৱেদর(এল)ঃ** মনিপুরগী মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং জিলাগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদসু হায়রিবা ফিভম অসি মায়োকগনি।

**সিপিআই (এল)ঃ** সি.পি.আই. সেকমাই লোকেল কাউন্সিলগী ৪৪ শুবা মীফম খুরখুল মখা লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা নেসনেল হায়ৱে থিংজিল্লিবা অসি হাংদোকবা কাউন্সিল অসিনা হোৎনগনি হায়রি।

**উ (এল)ঃ** নাউ ফোর ক্লাইমেট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা উ চারা থাবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তৌবুংখোক্তা লৈবা ইপা লোয়ালাকপা ইমা নুংথি লৈমা হরাউবুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ফোরেষ্ট বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা এসোসিয়েসন ওফ মনিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন পুনে, তৌবুংখোক কাউন্সিল ফোর এদুকেস্নেল এদমিনিষ্ট্রেসন এন্দ মেনেজমেন্ট, মনিপুর চেপ্তর ইম্ফাল অমসুং তৌবুংখোক

প্রোগ্রেসিব য়ুথ পাইওনিয়রস এসোসিয়েসননা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা ৩০০ লোম থাখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পেন্সনরস এসোসিয়েসনগী ২৪ রক শুবা চহিগী জেনরেল বোদি মীফম ঙসি জিলা অসিদা লৈবা রি-পজেন্টেটিব ওফ লোইস ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মফমদা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি। মীফম অদুদা এসোসিয়েসন অসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা শিংজমৈ অমসুং নম্বোলগী মৈরা পায়বীশিং, চন্দ্রখোঙগী সি.এস.ওশিং, থৌবালগী সোসিএল মেদিয়া ইনফ্লুয়েন্সর, কৈনৌগী ৱার্ড মেম্বর অমসুং তোঙান তোঙানবা খুলগী লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্য অসিগী ঙাকশেলগী ফিভম অমসুং তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা মরী হেন্না শাগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা চান্দেল জিলাগী সেলোন খুলদা চথরকপা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ইন্টর স্কুল লিটরেরি অমসুং কলচরেল মিট ঙরাং লোয়শিনখ্রে। থৌরম অদুদা মহৈরোই অমসুং ওজা ১৬০ রোমনা শরুক য়াখি।

**পেন্সন(এল)ঃ** মনিপুর ওল এজ পেন্সন স্কিম (এম.ও.এ.পি.এস) গী মখাদা পেন্সন ফংবা য়ারবা সেনিয়ার সিটিজনশিংনা মখোয় মখোয়গী এপ্লিকেসন ফোর্মশিং মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসশিংদা পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

দাইরেক্তোরেট ওফ সোসিএল ৱেলফিয়ারনা থোকপা চেরোল অমনা

হায়-এপ্লিকেসন ফোর্মশিং বিভাগ অসিগী ৱেবসাইট-সোসিএল ৱেলফিয়ার দোট এম.এন. দোট গোব দোট ইনদা দাউন্দলোদ তৌবা য়াগনি অমসুং ফোর্ম পীশিংনবগী অরোইবা মতম মথং থাগী ১০ ফাওবা ওইগনি।

**তেংবাং(এল)ঃ** লমদম অসিদা শোত্থনা লৈরিবা মীওইশিং মতেং পাংবগী থবক তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংনা লেপ্পা লৈতনা চত্থরি।

মসিগী শরুক অমা ওইনা ফেসবুক রিয়েল ফ্রেন্দস কৌবা সংস্থান অমনা ঙসি শিংজমৈ চিংঙামথক নামৈরাকপম লৈকাইদা লৈবা অহল ওইরবী নুপী অমদা মতেং পাংখি।

**মনকিবাটঃ** হৌজিক শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিদা মীয়ামনা য়ারিবমখৈ চেকশিন্না লৈনবা অমদি সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা থোক্লিবা চৎনা-কাঙলোনশিং ঙাকা চৎপীনবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌরি।

থা খুদিংগী অরোইবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শন্দোকপা মহাক্কী পুকিংগী ৱা, মন-কি-বাট থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-নুংশাদা চৎপা মতমদা মীয়ামনা য়ারিবমখৈ চেকশিননা অমদি ঈশিং চাং নাইনা থকপীগদবনি। মহাকা হায়-নুংশাগী মৈশা ঙাকথোকবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম লমদুগী ওইনা পুথোকচবা মখল কয়াগী মহি-মনাইশিং থক্লি। অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা মহি মনাইশিং পুথোকপা অসিনা এক ভারত শ্রেস্থ ভারতকী থৌনা লিংজেল অদু উৎথোক্লি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফংলিবা হৈনৌ মখলশিংগী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৈনৌগী খোঙচৎ অসি হৌজিক্তি খুঙ্গংদগী মালেমগী কৈথেল য়ৌখ্রে। লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা থৌদাং লৌরিবা হৈনৌ থাবগী থবক তৌরিবা মীওইশিংবুসু শা মোদিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সমাজ অসি য়াইফনবগীদমক লেপ্পা লৈতনা

হোৎনরিবা মীওইশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং থাগৎপা লোয়ননা মখোয়গী থবক অদুবু শক খঙনবা হোৎনমীন্নসি।

**কাং ঃ** ২৬ শুবা অরান্বম সোমোরেন্দ্র নিংশিং কুমওন লিগ কম নোক আউট ওপন কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্লাসা ওইনাম কাংখুৎনা কৈশামথোং কাংখুৎ পাঞ্জল ২০-১৩ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** বাবিনা গ্রুপনা শিনদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চংথরিবা ৬৫ শুবা সি.সি.মিটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সোসিএল দিবলপমেন্ট ক্লবনা ফুটবোল ক্লব-কুম্বীবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** নোংচুপ কামেং য়ঙ জেনরেসন ক্লবনা শিনদুনা ১৩ শুবা সম্মর স্পোর্টস মিট ২০২৬ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা লোইতাং অপুনবা এফ.সিনা গ্রীনলেন্দ পোৎশংবমবু পাঞ্জল ৫-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা-ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুং মখোঙনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন-৬৩ দা থোইখ্রে।

**কবাদি(এল)ঃ** ৫২ শুবা জনিয়ার মনিপুর ষ্টেট জনিয়ার বোইজ কবাদি চেম্পিয়নসিপ ২০২৬, জলাই থাগী অহুমদগী মঙা ফাওবা থৌবাল জিলাগী তেকচমদা লৈবা এস.এল.ৱাই.ও. প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না মনিপুর ষ্টেট কবাদি এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**ক্রিকেট ঃ** ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ফাইনেলদা হৌজিক গুজরাত টাইতান্সকা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরুগা অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।